# মালেমগী ক্লাইমেট চেঞ্চ ইন্দিয়ানা থোকহনখিবা নত্তে অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা চৈথেঙ ফংলি ঃ সুরেস প্রভু



***ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ২৯ ঃ*** মালেমগী ওইবা ক্লাইমেট চেঞ্চ অদু ইন্দিয়ানা থোকহনখিবা নত্তে। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিনা হৌজিক মদুগা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সুরেস প্রভুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক কয়ানা পেরিস এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা থবক কয়া তৌরি। লৈবাক অসিনা পেরিস ক্লাইমেট এগ্রিমেন্টকী মায়োক্তা থবক অমত্তা তৌবা লৈতে।

নাকল অমরোমদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জুন থাদা পেরিস এগ্রিমেন্টতগী তোক্লে হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা কার্বোন পোলুসন থোকহনবশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক ১৯০ য়াওরি। মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অদু সেলসিয়স দিগ্রি ২ গী মখাদা লৈহন্নবা হোৎনরি। লাইবক থীবদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা পেরিস এগ্রিমেন্টকী মতাংদা ৱাহং কয়া হংনরক্লি। মদুতা নত্তনা লৈবাক কয়ানা এগ্রিমেন্ট অদুগী ৱাংমদা থবক তৌরি হায়না সুরেস প্রভুনা ঙসি ক্লাইমেট চেঞ্চগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।


কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টরনা ক্লাইমেট চেঞ্চ থেঙননবা ফিভম অমা শেমগৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। মালেম অসি সেমি-ফাইনান্সিয়েল ইন্সট্রুমেন্টকী ৱাখল্লোন য়ূম্ফম ওইদুনা চাওখৎপা পুরক্নবা অমদি ক্লাইমেট চেঞ্চ ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মতেঙ পীনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি।

ইন্টর্নেসনেল ফাইনান্স কোর্পোরেসন (আই এফ সি) না হোংলক্লিবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অসিবু অনৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা থৌদাং লৌবা তঙাই ফদে। ক্লাইমেট চেঞ্চগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা য়েংশিন্নবা অমদি শাফবা ফিভম অমা লৈহন্নবা য়েংশিনবগী মথৌ তাই।

ইন্দিয়ানা হৌজিক অনৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল পোলিসি শেমদুনা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিশিং লৈহন্নবা হোৎনরি। মালেমগী হোংলক্লিবা ফিভমশিং য়েংলগা লৈবাক অসিনা পোৎলম কয়া শাজনবা অমদি জি দি পি চাদা ২০ য়ৌহন্নবা পান্দম অমা থল্লি।

মথংগী চহী ৭/৮ গী মনুংদদি লৈবাক অসিগী জি দি পি য়ু এস দোলর ট্রিলিয়ন ২.৫ ওইহন্নবা পান্দম থল্লি। মদুতা নত্তনা য়ু এস দোলর ট্রিলিয়ন ৫ য়ৌনা জি দি পি হেনগৎহন্নবগী পান্দমসু লৈরি হায়রি।

# প্রালজক ট্রাইয়েল ঃ বোস্নিয়া ক্রোট ৱার ক্রিমিনেল কোর্টতা হু থকখ্রে



***সারাজেভো, নভেম্বর ২৯ ঃ*** ৱার ক্রাইমগী মতাংদা চথরকপা হিয়ারিংদা মহাক্না থৌদোক অদু য়ু ঙাওবদগী থোকখিবনি হায়না ঙাকথোক্নবা হোৎনখি। হিয়ারিং অদুগী ৱায়েল লাওথোক্লমদাইদা মীওই অদুনা কোর্ট অদুদা হু থকচিনখি। স্লোবোদাল প্রালজক বোস্নিয়া-ক্রোট রাজনিটিৱালা অমসুং লান্মীশিং কোর্টতা কৌখৎপা তরুকশুবা মীওইনি।

মহাক্না মোষ্টর সহরদা থোকখিবা লালফমদা ৱার ক্রাইম চথখি হায়না চহী ২০ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখি। মখা তানা হিয়ারিং চথরকপা মতমদা মঙোন্দা পীরিবা দন্দি অদু শৌগৎপগা লোয়ননা মহাক হু থক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুগোস্লব ট্রিবুনেলনা শীন্নরকখিবগা লোয়ননা মীওই তরুক্কী মথক্তা অরোইবা ৱায়েল চথখি। ইং ১৯৯৩-৯৪ দা বোস্নিয়া সর্ব বোস্নিয়া কোর্ট অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা সিভিল ৱার থোক্লকপনা মরম ওইরগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। কোর্টতা ৱায়েল চথরকপা মতমদা প্রালজাকনা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা মচিন্দা করিগুম্বা মহি খরা থকচিনখি। জজনা খুদক্তা মীফম অদু সস্পেন তৌবগা লোয়ননা এম্বুলেন্স কৌখি।

মখা তানা জজ অদুনা মীফম অদু সস্পেন তৌরে। কোর্টতা করিগুম্বা অমত্তা থকচিনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। দি হক কোর্টতা পাঙথোকখিবা ৱায়েল অদু ঙসি থৌদোক অদুনা চমম্নবা থোকহনখি। কোর্ট অদুগী কেম্পসতা এম্বুলেন্স থৌজিল্লকখি। লোয়ননা হেলিকোপটর অমসু পাইশিল্লকখি। এমার্জেন্সি ৱার্করশিংনা অথু অকায়গী ওইবা অকনবা থবক পায়খৎখি।

প্রালজক মতম অদুগী বোস্নিয়া ক্রোট দিফেন্স ফোর্সকী মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইখি। মহাক্না সিভিল ৱার মতম অদুদা মীওইবগী মায়োক্তা ক্রাইম কয়া চথখি হায়বগীদমক ইং ২০১৩ দা চহী ২০ জেলদা লৈবগী দন্দি পীখিবনি হায়রি।

# বৃটিশ লান্মীশিং জোইন্ট এক্সরসাইজ পাঙথোক্নবগীদমক থুংলরে

***জয়পুর, নভেম্বর ২৯ ঃ*** ইন্দো-য়ু কে জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অজেয়া ৱারিয়োর ২০১৭ পাঙথোক্নবগীদমক বৃটিশ আর্মি ১০০ ঙসি থুংলখ্রে। বৃটিশ লান্মীশিং অদু জোইন্ট এক্সরসাইজ পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থানগী মহাজন লমদমদা লেন্দিং তৌরকখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মিগী ওফিসিয়েলশিংনা য়ু কে গী লান্মীশিং অদুবু সঙ্গনর এয়ারপোর্টতা ওকখি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই লেপ্টিনেল কর্নেল ওজাহনা ফোঙদোরকখি। হন্দক দিসেম্বর ১ দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু লৈবাক অনীগী মরক্তা পূন্না পাঙথোকমিন্নবা অহুমশুবা লাল ঔরাইবগী থৌরম অমা ওইরগনি। লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা হান্নना লেপথোকখ্রবা মতমগী মতূং ইন্না নুমিৎ ১৪ নি চূপ্না পূন্না লাল ঔরাইবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

লৈবাক অনীগী লান্মীনা ষ্টেজ নাইনা লাল ঔরাইবগী থৌরমশিং মথং মথং পাঙথোক্কনি। জোইন্ট এক্সরসাইজ অদুনা লম অদুদা থবক তৌরিবা কম্মান্দর অমসুং লান্মীশিং পূন্না ৱারী ৱাতাই শান্নবা, সোসিয়েল এন্দ কলচরগী লমদা পাউ ফাওদোক্নবগী খুদোংচাবা লৈহল্লগনি। এক্সরসাইজ অদুনা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মতেঙ পীনবা অমদি অফবা মরী থম্নবগা লোয়ননা খঙ-হৈবশিং তাথোক-তাশিন তৌনগনি হায়রি।

লাল ঔরাইবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ২০ শুবা রাজপুট রাইফলগী বাটালিয়নগী লান্মীশিং অমসুং য়ু কে গী রোয়েল বৃটিশ আর্মিগী অহানবা রোয়েল এঙ্গলিকান রেজিমেন্টকী অহানবা বাটালিয়নগী লান্মীশিং শরুক য়াগনি হায়রি।

# অন্না হাজারেনা জন লোক পালগী মতাংদা খোঙজং চঙশিল্লগনি লাওথোকখ্রে



***মুম্বাই, নভেম্বর ২৯ ঃ*** সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট অন্না হাজারেনা জন লোক পাল অমসুং লৌমীশিংগী মতাংদা মথং চহীগী মার্চ ২৩ দগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

অন্না হাজারে লোক পালগী মতাংদা হৌখিবা চহীদগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইনি। মখোয়না মথং চহীগী মার্চ ২৩ দগী সাহিদ দিৱসকা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিন্নবা লেপ্লে হায়রি।

অহল ওইরবা গান্ধীয়ান অদুনা হায়, হীরম অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মদুগী পাউখুম অমত্তা লাকত্রি। হৌখিবা চহী ২২ অসিদা লৈবাক অসিগী লৌমী লাক্ষ ১২ মথন্তা শিজখ্রে। হৌজিক খঙবা পাল্লিবদি ইন্দষ্ট্রি তৌবা মীওই কয়া হায়রিবা মতম অদুদা মথন্তা শিজখিবা লৈখ্রবগে হায়বসিনি।

লৈবাক অসিদা শেঙ্গা-থুমজা লাকশিন্নবগীদমক জন লোক পাল চৎনহন্নবা অন্না হাজারেনা অকনবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। ইং ২০১১ দা লুচিংবা অদুনা নুমিৎ ১২ নি চূপ্না চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা লৈখ্রে। খোঙজং অদু মতম অদুগী য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলায়েন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক্না য়াবগা লোয়ননা চপ চাবা থবক পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অন্না হাজারেনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখিবদু লৈবাক অসিগী মশীং য়াম্নবা মীওই কয়ানা শৌগৎখি। তুংদা য়ু পি এ লৈঙাক্না লোক পাল বিল পাস তৌখিবনি। ঙসি অন্না হাজারেনা হায়, মোদি লৈঙাক্না লোক পালগী লমদা থবক পায়খৎত্রে। মদু পায়খৎপদা খুদোংচাবা লৈবশিংগী মরম খঙহনফম থোকই হায়রি।

লোক পোল এক্তকী মতূং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টর, লোক সভাগী স্পিকর, লোক সভাগী ওপোজিসন লুচিংবা অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস কম্মিটি অদুদা য়াওগদবনি। লোয়ননা অখন্নবা কম্মিটি অমা লোক পালগী মখাদা শেমগদবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা লোক সভাগী ওপোজিসন লুচিংবা অমত্তা কম্মিটি অদুদা য়াওবা লৈত্রি। মদুনা মরম ওইরগা লোক পাল কম্মিটি শেম্বা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

# ট্রিপুরাদা পাউমী হাৎখিববু য়ুনেস্কোনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

***পেরিস, নভেম্বর ২৯ ঃ*** য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কলচরেল ওর্গনাইজেসন য়ুনেস্কোনা ট্রিপুরাদা পাউমী সুদিপ দত্ত ভাওমিক হাখিবা অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা মীহাৎপা অদু আইনগী মতূং ইন্না ৱায়েল চথগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামদা মীৎ-নাকোং ওইনবা ঈ-পাউ পীবা অমদি ৱাখল খন্থহন্নবা পাউ পীরিবা পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদু খুন্নাইগী ওইনদি খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং অমনি হায়নসু য়ুনেস্কোগী লুচিংবা ঔদ্রে এজৌলেনা ফোঙদোরক্লে।

পাউমী হাৎখিবা থৌদোক অদু খাঙবা ঙম্লোইদবা অমনি। ঈ-পাউগী লমদা থবক তৌরিবশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইম অমনি। ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না পাউমীশিংবু ঙাক-শেনগদবনি হায়রি।

সুদিপ দত্ত ভাওমিক (৫০) বঙ্গালি দেলি অমসুং টি ভি চেনেল অমগী রিপোর্টরনি। মহাকপু ট্রিপুরা ষ্টেট রাইফলসকী পার্সোনেল অমনা আর কে নাগরদা লৈবা অনীশুবা টি এস আর গী হেদ ক্বাটরদা চৎলিবা থা অসিগী ২১ দা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

মীৎনা উহৌবশিংগী মতূং ইন্না পাউমী অদুনা ষ্টেট রাইফলসকী পার্সোনেল অদুগা য়েৎনবা উখি। মদুগী তুংদা লান্মী অদুনা নোংমৈনা কাপ্পুনা পাউমী অদুবু হাৎখিবনি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগী অনৌবা মিসাইলনা য়ু এস কী মফম খুদিংমক্তা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমগনি হায়খ্রে

***পিয়োংয়াং, নভেম্বর ২৯ ঃ*** নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি ইন্টরকন্টিনেলটেল ভেলিষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা মায় পাক্না চাংয়েং পাঙথোকখ্রে। মিসাইল অদুনা য়ু এস মহাদেসকী মফম অমদা হেক্তা তার্গেৎ তৌবা ঙম্লগনি হায়না নোর্থ কোরিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।



ষ্টেট টিলিভিজন্না রিপোর্ট তৌরকখিবদা পিয়োংয়াংনা ন্যুক্লিয়র ষ্টেট অমা চপ চানা ওইবা ঙম্বগী শক্তি অদু লৈরি। ৱাংসোং-১৫ মিসাইল অদু খ্বাইদগী শক্তি লৈবা অমনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক অঙনবদা মায় পাক্না চাংয়েং পাঙথোকখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা মিসাইল অদু মমাঙদা লৈবাক অদুনা পাঙথোকখিবা মিসাইলশিংদগী হেন্না ৱাংনা পাইবা ঙমখি। লোয়ননা জপানগী সমুদ্রদা তাশিনখি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াদা মিসাইল প্রোগ্রেম কয়া পায়খৎপগীদমক মালেমগী ওইনা অথিংবা কয়া থল্লিঙৈ চৈরক্তা চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্নবা কৌখ্রে হায়রি।

নোর্থ কোরিয়ানা চথখিবা ভেলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েং তৌবগী থৌরমশিং অদু সাউথ কোরিয়ানা উৎথোরকখ্রে। নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখিবগী পাউ অদু ষ্টেট টিলিভিজন্না ঙরাং অহিং নোংয়াইদা অখন্নবা পাউ অমা ওইনা শন্দোকখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পাউ-চেশিংদসু থাদোরকখি।

পিয়োংয়াংনা হায়, মিসাইল অদু কিলোমিটর ৪,৪৭৫ ৱাংনা পাইবগা লোয়ননা কিলোমিটর ৯৫০ মিনিট ৫৩ গী মনুংদা লাম্থোকপা ঙম্মী। মিসাইল অদু সাউথ কোরিয়ানা শাবা মিসাইলশিংগা মান্ননা মথৌ তৌবা ঙম্মী হায়রি।

চাংয়েং তৌখিবা মিসাইল অদু মমাঙগা মান্নদবা মওংদা জপানগী নোংথক্কী শরুক লান্না পাইখিদে। অদুম ওইনমক জপানগী অৱাং থংবা সমুদ্র খোঙবান্দগী কিলোমিটর ২৫০ লাপ্পা মফমদা তাশিনখি হায়না জপানগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কোরিয়ানা মমাঙদা য়ু এসকী মফম কয়াদা তার্গেৎ তৌবা ঙম্বা মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌখ্রে। অদুগুম্বা মিসাইলশিং অদু হেন্না ফবা মওংদা শেমগৎ-শাগৎলবা মতূং অনৌবা ভর্সন অমা ওইনা চাংয়েং তৌখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন মশামক্না অনৌবা মিসাইল অদু চাংয়েং তৌননবগী অয়াবা খূৎয়েক পীখি হায়রি। য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরীনা হায়, ন্যুক্লিয়র শক্তি লৈরবা অমসুং শান্তি পাম্বা লৈবাক অমা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা খূৎলাইশিং অদু মালেমগী ওইবা তংদু লৈতাবা অমসুং শান্তি ঙাক্নবগী লমদা শীজিন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়খ্রে।


**LOST OF DOCUMENTS**

I have lost my Driving Licence Bearing no. MN-0120150042127 and Mark Sheet of B.A. (Hons) 6th Semester of 2017 (May) Bearing Roll no. 4204691 from Mangolnganbi College under Manipur University, in between Yaiskul and Wangkhei on 26/11/2017

Finders are requested to hand over the same to the undersigned.

Sd/-
**Thoudem Nitish**
S/o Thoudem Loken Singh
Sagolband Kangabam Leikai,
Imphal West, Manipur

*SL/3659/30*


## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 20/08/17
Valid : 18/08/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 06/10/17
Valid : 03/10/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 25/09/17
Valid : 13/09/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 26/09/17
Valid : 23/09/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 862/-

**Canchi Indane Service**
Booking : 20/09/17
Valid : 12/09/17
Stk : 306
Rate : Rs. 842.50/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 28/09/17
Valid : 19/09/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 24/09/17
Valid : 05/09/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Submit Aadhar Xerox

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 21/09/17
Valid : 16/09/17
Stk : 40 CTC
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 07/09/17
Valid : 22/08/17
Stk : 306
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 07/09/17
Valid : 14/08/17
Stk : 306 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১০০৮ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 4 | 6 | 2 | 1 | 9 | 3 | 7 |
| 7 | 9 | 3 | 4 | 5 | 8 | 2 | 1 | 6 |
| 2 | 6 | 1 | 9 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 6 | 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 5 | 1 | 2 | 8 | 4 | 7 | 3 | 6 | 9 |
| 3 | 4 | 8 | 1 | 6 | 9 | 5 | 7 | 2 |
| 4 | 3 | 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 8 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 7 | 8 | 5 | 4 | 9 | 3 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 1 | 4 | 6 | 2 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1009**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | | 3 | | | 6 | 7 |
| | | 8 | | | | 1 | | |
| | 4 | 2 | 8 | | 1 | | | |
| 5 | | 4 | | | 7 | | | |
| 7 | 3 | | | | | | 5 | |
| 9 | | | | | 2 | 4 | | |
| | | | 7 | 5 | | | 4 | |
| | | | | | 3 | 2 | | 1 |
| | 6 | | | | | | | |


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**

*Ref. :- Mutation Case No. 2503/SDC/IW(C) of 2017*

Thokchom Sushil Singh S/o (L) Th. Raghumani Singh of Kwakeithel Thouda Bhavok Leikai

***- Petitioner***

***-Verses-***

Co-Pattadar no. 3 (Late) Thokchom Raghumani Singh S/o (L) Angangjao Singh of Kwakeithel Thouda Bhavok Leikai

***- O.P.Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 28/11/2017*

Under the section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতূং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৪২/ কৈশামথোং পাট্টা নং অরিবা ৮৪১ অনৌবা ১২১০ হাল দাগ নং ১৯৮ এরিয়া .০৫২৮ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী Co-Pattadar no. (3) থোকচোম রঘুমণি সিংহ পীং মৃঃ অঙাংজাও সিংহ সাং ক্বাকৈথেল থৌদা ফাবোক অসি মৃতঃ ওইখরে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগী মহুৎতা মাগী মচানিপাগী মমিংদা পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙখিবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি মতূং লাকপা Objection লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

***SL/3658/30(C)***



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**

*Ref. :- Mutation Case No. 2547/SDC/IW(C) of 2017*

1. Nongmaithem Kumudini Devi W/o (L) N. Tomchou Sigh of Sagolband
2. -do- Babby Singh S/o (L) N. Tomchou Singh of -do-

***- Petitioners***

***-Verses-***

(Late) Nongmaithem Tomchou Singh S/o (L) Angaton Singh of Sagolband

***- O.P.Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 28/11/2017*

Under the section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতূং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি খুল নং ৮৫/ শগোলবন্দ অরিবা পাট্টা নং ২২২৭ অনৌবা ১৩৭৩ হাল দাগ নং ১০১১২ এরিয়া .০১৩৯ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নোংমাইথেম তোমচৌ সিংহ পীং মৃঃ অঙাতোন সিংহ সাং শগোলবন্দ অসি মৃতঃ ওইখরে। মরম অদুনা মহাক্কী নুপী অমদি মচাদা মমিং পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা (Objection) তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙখিবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা Objection তৌরবা য়াগনি মতূং লাকপা Objection লৌররোই কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

***SL/3658/30(A)***



**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West (Central)**

*Ref. :- Mutation Case No. 2548/SDC/IW(C)28/11/2017*

1. Takhellambam Jerry D/o Yambem (O) Khumanleima Devi of Mayang Langjing Taning
2. Yambem Sushil Singh S/o Y. Surjaboro Singh of Khoyathong Polem Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

(L) Yambem Ninthourel Singh of (L) Y. Gulamjat Singh of Thangmeiband Polem Leikai

***- O.P.Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 29/11/2017*

Under the section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিগী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (L) Yambem Ningthourel S/o (L) Y. Gulamjat Singh সাং Thangmeiband Polem Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহসিলগী খুল নং 90-Thangmeiband গী অনৌবা পট্টা নং 1197 অরিবা পট্টা নং 221,557/1688 দাগ নং 7052 অমসুং এরিয়ানা .0225 (হেক্টার) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি Daughter-in-law and son অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙলবা মতূং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতূংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (Central)

***SL/3658/30(B)***